১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে কে এফ সী কৈশামথোং, জি ৱাই সী গুইগাইলোং অমসুং এন ৱাই সী নমথানলোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ

জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা থাংমৈবন্দ থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা কে কে এফ সী কৈশামথোং, জি ৱাই সী গুইগাইলোং অমসুং এন ৱাই সী নমথানলোং মায় পাকখ্রে।

টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৫৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এফকী কে কে এফ সী কৈশামথোং অমসুং এস এফ সী সাংজি শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লন্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা কে কে এফ সীনা এস এফ সীবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি। কে কে এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অদু সগোৎদাই ফাওমৈনা মেচকী ৬শুবা মিনটতা চনখিবনি।

লীগ রাউন্দ অসিগী ৫৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী য়ু এন ৱাই সী উচিৱা, জি ৱাই সী গুইগাইলোং লন্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা জি ৱাই সীনা য়ু এন ৱাই সীবু লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু জি ৱাই সীনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। জী ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোল অদু এন কে মচাবৌনা মেচকী ৪৩শুবা অমসুং ৫১শুবা অমদি দাংগ্বাংলুং দাংমৈনা মেচকী ২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অরোইবা ৫৫শুবা মেচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই সী অমসুং এল এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু এন ৱাই সীনা গোল ৪-১দা মায় পাকখি।

# ৯শুবা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লীগ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসিদগী ৯শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

টিম ৪না শরুক য়াদুনা দবল লীগ বেসিসতা পাঙথোকপা ৯শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৮গী অহানবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ক্রিপসা অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ক্রিপসানা ঈ এস য়ুবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী ক্রিপসাগী মাঙজিল থারিবা গোল অনী অদু হন্দোক্লুবা কন্না হোৎনরকখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ক্রিপসানা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি। ক্রিপসাগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এস বিদ্যারানিনা মেচকী ২শুবা অমদি ক্রিপসাগী গোল অমা অদুনা ঈ এস য়ুগী ৱাই কিরনবালানা মেচকী ১১শুবা মিনটতা শোয়বদগী চনখিবা গোলনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সী অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী-এল শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনটতা এম পি এস সীগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি বালানা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ৱাই দব্লিয়ু সী-এলগী মায়কৈদগী এম পি এস সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ৪৮শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সী-এলগী এস রিনা রোয়না এম পি এস সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লগা ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী ৫৫ অমসুং ৬০শুবা মিনটতা এম পি এস সীগী এন জি বালানা চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু এম পি এস সীনা গোল ৩-১দা মায় পাকখি।

# মেরি কোম ৭লকশুবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদল ফংলগনি




ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২০ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারিবী এম সী মেরি কোম সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা মহাক্কী করিয়রগী ৭লকশুবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদল অদু ফংলগনি।

নুপীগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী লাইট ফ্লাইৱেট (কেজি ৪৮) কেটেগোরিগী বাউট অমদা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা লন্বাদা এম সী মেরি কোমনা চাইনাগী বোক্সর রু য়ুবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবদগী য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলদবা মরম্না মহাক্না ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিংগী চেম্পিয়ন ৫রক ওইখ্রবা মতুং অতোপ্পা চেম্পিয়নশিপ অমদা মেদল অমা ফংখিবা অদু থারগা হন্দক্কী অসি হাপচিল্লগা ৭লকশুবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদল ফংলগনি।

মশাগী চহী ৩৫শুরবী এম সী মেরি কোম্না চাইনাগী রু য়ুগা লন্বা তৌনখিবা বাউট অদুদা জজ মঙানা মহাক্কী মায়কৈদা ৩০-২৭, ২৯-২৮, ৩০-২৭, ২৯-২৮, ৩০-২৭গী স্কোর পীদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ফাইনেল য়ৌনবগীদমক মেরি কোমনা মথংগী রাউন্দদা নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সর কিম হিয়াঙ মিগা সেমী ফাইনেল বাউটতা লন্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর অসামদগী হৌখিবী লোবলিনা বোরগোহেননা কেজি ৬৯গী কাঙলূপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর স্কোট কায়িবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমী ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী চেন নিয়ন চিনগা লন্বা তৌনরগনি।



HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)

ওইনাম চার্লি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# শিংজমৈ কেন্দ্র -এ কাংখূৎ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস)ঃ

শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মায় পাক্তুনা শিংজমৈ কেন্দ্র - এ কাংখূৎ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৪০ তাবদা শিংজমৈ কেন্দ্র -এ কাংখূৎ অমসুং লমশাং কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু শিংজমৈ কেন্দ্র - এ কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা লমশাং কেন্দ্র কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি। কাংখূৎ অনীনা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লন্বা তৌনদুনা কাপ্লখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎনা লমশাং কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ২১-১৭তা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

থার্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এফ এস সী অমদি কে টি সী, পি এস ৱাই সী অমদি শুগুনু এফ সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ককচীংগী শান্নবুংদা চথরিবা থার্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এফ এস সী অমদি কে টি সী অমসুং পি এস ৱাই সী অমদি শুগুনু এফ সী দ্রো চৎখ্রে।



টিম ৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা থার্ড দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৪০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দা এফ এস সী অমসুং কে টি সী শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লন্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এফ এস সী অমসুং কে টি সী গোল ৩-৩দা দ্রো চৎখি। কে টি সীগী গোলশিং অদু এন রোনেল্ডনা মেচকী ৮শুবা, কে ঐচ দয়ানা মেচকী ২৭শুবা অমসুং এস জষ্টিননা মেচকী ৬১শুবা মিনটতা চনখিবনি। অদুগা এফ এস সীগী গোলশিং অদুনা নাওবনা মেচকী ৩০শুবা, সুরকান্না মেচকী ৪২শুবা অমসুং মোনিসনা মেচকী ৬৯শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি এস ৱাই সী অমসুং শুগুনু এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু পি এস ৱাই সী অমসুং শুগুনু এফ সী গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। শুগুনু এফ সীগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ ৱাই মনিয়াইমনা মেচকী ৮শুবা অমসুং পি এস ৱাই সীগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ কে ঐচ মেসেঞ্জরনা মেচকী ৫০শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# চীঙাম্বম লৈশেমস্না অমসুং হিদংময়ূম এসকী জুরা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস)ঃ

ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসন (এ আই টি এ) অমদি ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) অমসুং মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) না শীন্দুনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসরস ক্লবতা চথরিবা সেনিয়র চহী ৩৫, ৪৫ অমদি ৫৫গী কেটেগোরিদা পাঙথোক্লিবা ইম্ফাল-আই টি এফ সেনিয়র গ্রেদ ফোর টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮দা চীঙাম্বম লৈশেমস্না অমসুং হিদংময়ূম এসকী জুরা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১৪ অমদি অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী শান্নরোয় ৫৬ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ইম্ফাল-আই টি এফ সেনিয়র গ্রেদ ফোর টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপাগী চহী ৫৫গী দবলস ইভেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা অরিবম লক্ষ্মিকান্ত শর্ম্মা অমসুং মোইরাংথেম মতুমগী জুরানা দব্লিয়ু টি ঐচ অমদি হরিস কুমার শর্ম্মাগী জুরাবু ৬-৪, ৬-৪দা; চীংঙাংবম লৈশেমস্না অমদি হিদংময়ূম এসকী জুরানা সুনিল সুট অমদি কুলদিপ সিংহগী জুরাবু ৬-৪, ৬-৪দা; অনিলকুমার কোসাল অমদি সেথি গুরবিন্দর সিংহগী জুরানা সোনোৱাল বি কে অমদি ওইনাম নবকিশ্বরগী জুরাবু ৬-১, ৬-২দা; ইবোতোন্বী অমদি য়ুম্নাম ইবোতোন্বীগী জুরানা থৌনাওজম ইন্দ্রকুমার অমদি শৌগ্রাকপম রজিৎকুমারগী জুরাবু ৬-১, ৭-৫দা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নোংমাইথেম দি অমদি সুরেস মুথাতিগী জুরা; রজন বেরি অমদি সরট টকিগী জুরা অমসুং পৱন জেন অমদি নেজি ভাগনন সিংহগী জুরা বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

চহী ৫৫গী মেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা জেন পৱন অমসুং য়ুম্নাম সিং শান্নখিবা মেচ অদু জেন পৱননা ৬-০, ৬-১দা; অনীশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা সুনিল সুট অমসুং কুলদিপ সিংহ শান্নখিবা মেচ অদু কুলদিপ সিংহনা ৪-৬, ৭-৫, ৬-৩দা; অহুমশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা সুরেস মুথাটি অমসুং ভারত ফুকান শান্নখিবা মেচ অদু সুরেস মুথাটিনা ৬-৩, ৬-১দা; মরিশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা রঞ্জন বেরি অমদি মিরদুলাল বরকোটি শান্নখিবা মেচ অদু রঞ্জন বেরিনা ৬-৩, ৬-০দা; মঙাশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা নেজি বি অমদি এস সিং শান্নখিবা মেচ অদু নেজি বিনা ৬-০, ৬-০দা; তরুকশুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা সঞ্জয় কুমার অমসুং নোংমাইথেম দিগা শান্নখিবা মেচ অদু সঞ্জয় কুমারনা ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬ (৬) তা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# টিম চেম্পিয়ন ফংলকখ্রবা মণিপুর আর্মরেষ্টলিং শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস)ঃ শিলোংদা পাঙথোকখিবা ৩৭শুবা নেসনল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুর অর্মরেষ্টলিং শান্নরোয়শিং ঙসি মণিপুর অর্ম স্পোর্টস এসোসিএসন্না শীন্দুনা কোংপাল ইরানফম কম্যুনিতি হোলদা তরাম্না ওকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎ, খুরাই খাইদেম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মুক্তা রাজকুমারি, ৱাই এ এসকী য়ুথ ওফিসর পি প্রেমিলা অমসুং মণিপুর অর্ম স্পোর্টস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ অমুজাও মীতৈনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ওপন হোকি চেম্পিয়নশিপ

# সেয়োনা ৱাই সী সী আই সী, হোকি য়ুনিয়ননা কে ঐচ এস সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচএনএস) ঃ

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ওপন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা নুপা অমসুং নুপীমচাগী মেচশিংদা সেয়োনা ৱাই সী সী আই সী অমদি হোকি য়ুনিয়ননা কে ঐচ এস সী মায়থীবা পীখ্রে।

নুপা কাঙলূপকী ওইনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা অমসুং নুপী কাঙলূপকী ওইনা টিম ৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেভেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী লীগ মেচকী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা নুপী কাঙলূপকী ৱাই সী সী আই সী অমসুং এস ঈ ৱাই ও শান্নখিবা মেচ অদু এস ঈ ৱাই ওনা ৱাই সী সী আই সীবু গোল ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপা কাঙলূপকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ঐচ এস সী অমসুং হোকি য়ুনিয়ন লন্বা তৌনখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লন্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা কে ঐচ এস সীনা মেচ অদু গোল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা হোকি য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা হোকি য়ুনিয়ন্না কে ঐচ এস সীবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীরল্লগা কাঙলূপ অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহানবা টিম ওইখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৩

১। ঐহাক চাওখ্রবা লৈবাক অসিগী মন্ত্রি ওইবা অহানবা কুচু মুবা নুপানি। শান্নরোয় অমা ওইনা ঐগী ইমিং মালেমগী য়ূমথোঙ খুদিংদা খঙই। ঐগী ইমিং করি কৌবগে?

২। য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন্না চেবাউ পীরক্তুনা ঐহাক ইন্দিয়াদা লাকখ্রে। কম্মনৱেলথ ক্রিকেট টিমগী শান্নরোয় অমা ওইনা ইন্দিয়াদা শান্নবসু লাকখ্রে। ঐহাক বারবাদোসতা পোকপনি। লৈবাক অসিগী কেপ্তেনসু ওই। ঐহাক কনানো?

৩। ওলিম্পিক্কী লোঙজম্প ফাইনেল নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবদা মহাক শরুক য়াখিদে। মরমদি মহাক খৃষ্টাননি। মহাক্কী লাইনীংবু ইকায়খুম্নবনা হেন্না মরু ওইনা লৌবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা চোঙখিবা অদুগী রেকোর্দ য়েংলগা অনীশুবা পোজিসনগী মেদল পীখিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং হায়য়ু।

৪। অসাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্টগী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নেট বোলগী ট্রায়ল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচ এন এস)ঃ

দিসেম্বর ৬তগী ৯ ফাওবা হিমাচল প্রদেশকী সিটি পুনেদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ২৪রকশুবা সব জুনিয়র নেসনল নেট বোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারনবা মণিপুরগী শান্নরোয় খন্নবগীদমক মণিপুর নেট বোল এসোসিএসন্না থা অসিগী ২৩দা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। ট্রায়ল কম কোচিং কেম্প অসিনা মণিপুরগী টিম শেম্নবা হোৎনগদৌরিবনি। ট্রায়ল সেলেক্সন অসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শরুক য়ানীংবা শান্নরোয়/ক্লব/ইন্সটিটুসন অমসুং ওর্গেনাইজেসন-শিংনা খঙহল্লক্কদবনি হায়রি।



HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)



HL-B/5014/21

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com